৪১শুবা নেসনল মাষ্টর্স এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ ২০২০

# মণিপুরনা গোল্ড ৭, সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ৫ ফংদুনা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী মাংজিল থাদুনা লৈরি







ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচএনএস): ঙসিখুমনলম্পাক্কী মেনষ্টেদিয়মদা মণিপুরনা য়ুম্বু ওইদুনা ৪১রক শুবা নেসনল মাষ্টর্স এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ ২০২০ মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হৌদোকখ্রে। মণিপুরগী টিমনা ঙসি পাঙথোকখিবা তোঙান-তোঙানবা ইভেন্টশিংদা গোল্ড ৭, সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ৫ ফংদুনা মাংজিল থারি।

ঙসি হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর সী এ এফ অমসুং পি দিগী মিনিষ্টর করাম শ্যাম, ৱর্ল্ড মাষ্টর্স এথলেটিক্সকী প্রসিদেন্ট ষ্টান প্রকিন্স, ৱর্ল্ড মাষ্টর এথলেটিক্স ৱিমেন রিপ্রাজেন্টটেটিব ৱিলমা পর্কেন, মাষ্টর এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ধরম্বীর খিলোন অমদি সেক্রেটরি জেনরেল দেবিদ প্রেমনাথসু থৌদোকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখিবদা মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী স্পোর্টসকী পাৱর হাওসনি হায়না লৌনরিবনি। ষ্টেট অসিনা ৪১রক শুবা নেসনল মাষ্টর্স এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ অসি য়ুম্বু ওইবা ফংবদা য়াম্না চাওথোকচনিংঙাই ওই। চেম্পিয়নশিপ অসিদা লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ২৭তগী লাকপা এথলিট ৪,০০০ রোমনা মেদল ২৫০গীদমক লম্বা তৌনগদৌরিবনি। মণিপুর মাষ্টর এথলেটিক্স এসোসিএসননা মাষ্টর এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা ওর্গনাইস তৌরিবা চেম্পিয়নশিপ অসি থা অসিগী ১৪ ফাওবা চত্থগদৌরি।

ঙসি পাঙথোকখিবা তোঙান-তোঙানবা ইভেন্টশিংনা মণিপুরগী মায়কৈদগী গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবা এথলিটশিং অদুদি নুপীগী চহী ৫০ মথক্কী মিটর ৮০০গী লমজেলদা এম ইন্দিরা, নুপাগী চহী ৬০ মথক্কী মিটর ৮০০গী লমজেলদা ও লোকেন, নুপীগী চহী ৬৫ মথক্কী মিটর ৮০০গী লমজেলদা সী ঐচ থম্বালশঙ, নুপাগী চহী ৬৫ মথক্কী মিটর ৮০০গী লমজেলদা এল ইমোচা, নুপীগী চহী ৭০ মথক্কী মিটর ৮০০গী লমজেলদা থৌদাম একাসিনি, নুপীগী চহী ৮০ মথক্কী মিটর ৮০০গী লমজেলদা টি ঐচ ইবেমনুংশি অমসুং নুপাগী চহী ৬০ মথক্কী লোংজম ইভেন্টতা মণিপুরগী থৌদাম মোহোরিনি।

ষ্টেট অসিগী মায়কৈদগী সিলভর মেদল ফংখিবা এথলিটশিং অদুনা চহী নুপীগী চহী ৫৫ মথক্কী মিটর ৮০০গী লমজেলদা পি ঐচ পুর্ণিমাসি অমসুং নুপাগী চহী ৬৫ মথক্কী সোটপুট ইভেন্টতা ঐচ নোরেননি।

মণিপুরগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবা এথলিটশিং অদুদি নুপীগী চহী ৫৫ মথক্কী মিটর ৪০০গী লমজেলদা টি ঐচ তাননবি, নুপীগী চহী ৬০ মথক্কী মিটর ৮০০গী লমজেলদা এম প্রমো, নুপাগী চহী ৬৫ মথক্কী মিটর ৮০০গী লমজেলদা এন সনাতোম্বা, নুপীগী চহী ৪০ মথক্কী লোং জম্প ইভেন্টতা থিয়াম রাধেসানা অমসুং চহী ৫৫মক্কী লোং জম্পতা এল কুঞ্জেশ্বরনি।

১৩শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯-২০

# এল গৌরোগী পাঞ্জল অনীনা নিসানা কে এল এ এস এবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচএনএস): খুমুকচম জয়কিশন সিংহনা স্পোন্সর তৌদুনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)না শীন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চত্থরিবা '১৩শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯-২০'গী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা নোর্থ ইম্ফাল স্পোর্টিস এসোসিএসন (নিসা)না কে এল এ এস এবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

লীগ অসিগী অনীশুবা মেচতা কে এল এ এস এ অমসুং নিসা লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা হাপ্তা টিম অনীমক্কা মাংজিল থানা শান্নরকখি। টিম অনীনা চত্থনখিবা এটেকশিংদা পাঞ্জল ওইবা য়াবা খুদোংচাবা কয়া চনবা ঙমদনা লৈনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবা টিম অনীমক্কা পাঞ্জল চনবা ঙম্মদনা লোইশিনখি।

মেচকী অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপদা নিসাগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা চত্থখিবা লালোংদগী খরা হোংদোক্লগা শান্নবা হৌরকখি। নিসাগী টিমনা চত্থখিবা এটেক অমদা শান্নবগী ৫৪শুবা মিনটতা এল গৌরো জর্সি নম্বর ১০না টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা একাউন্ট হাংদোকখি।

মখা তানা নিসাগী টিমনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকপদা ৬৩শুবা মিনট টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা এল গৌরোনা মহাক্কী অনীশুপা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

পাঞ্জল ২ শোত্থরবা এল এ এস এগী মায়কৈদগী অনীশুবা হাফতা এটেক কয়া চত্থখি। অদুবু এটেকশিং অদু নিসাগী দিফেন্দর লাইনদা নীংথিনা ঙাকপদগী পাঞ্জল চলহনবা ঙমদনা মেচ অসি নিসানা এল এ এস এবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

মেচ অসিগী মেচ কম্মিস্নরনা তরুনকুমার, রেফ্রিদা টি ঐচ অরুনকুমার, এসিষ্টেন্ট রেফ্রি নম্বর ১দা টি ঐচ দিনেশ্বর, এসিষ্টেন্ট রেফ্রি নম্বর ২দা প্রসুরাম অমদি য়ুথ ওফিসলদা শ্যামসননা ওইখি।

১৪শুবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ ২০২০

# লুৱাং থাঙ-তা একাদেমীনা গোল্ড ১৪, সিলভর ১০ অমদি ব্রোঞ্জ ১০ পুন্না মেদল ৩৪ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচএনএস): খুরাই কোংপাল লুৱাং থাঙ-তা একাদেমীনা শীন্দুনা খুরাই কোংপাল সাজোর লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা ১৪শুবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা কম্পিটিসন ২০২০গী ঙসি লোইশিনখিবদা লুৱাং থাঙ-তা একাদেমীনা গোল্ড ১৪, সিলভর ১০ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ১০ পুন্না মেদল ৩৪ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে। ইন্দিজিনস কলচরেল এন্দ স্পোর্টস একাদেমী (কে আই এম এ সী এস)না গোল্ড ৫, সিলভর ১১, ব্রোঞ্জ ৩ পুন্না মেদল ১৯ ফংদুনা রন্নর্সঅপ তাখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা সব-জুনিয়র গর্লসকী ফুন্নবা অমা অমসুং অনীশুবা ইভেন্টকী কে জি ২১ মখাগীদা কলপনানা গোল্ড মেদল, কে জি ২৫ মখাগী কাংলুপ্তা এন লিংজে লথোইবীনা গোল্ড, কে জি ২৯ মখাগী কাংলুপ্তুনা নিবাসিনিনা গোল্ড ফংখি। কে জি ৩৩ মখাগী কাংলুপ্তা এন মেরিনানা গোল্ড, কে জি ৩৭ মখাগীদা দল্লীয়ু থাদোইনা গোল্ড, কে জি ৪১ মখাগীদা টি রোসিতানা গোল্ড, কে জি ৪৫ মখাগী কাংলুপ্তা এল দিভিয়ানা গোল্ড, কে জি ৪৯গীদা সেনিতানা গোল্ড, কে জি ৫৩ মখাগী কাংলুপ্তুনা য়াইস্নানা গোল্ড মেদল ফংখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা সব জুনিয়র বোইজগী ফুন্নবা অমা অমসুং অনীশুবা ইভেন্টকী কে জি ২৯ মখাগী কাংলুপ্তা দিপসননা গোল্ড, কে জি ৩৩ মখাগীদা লনচিংবানা গোল্ড, কে জি ৩৭ মখাগী কাংলুপ্তা জেমসননা গোল্ড, কে জি ৪১ মখাগীদা অসামনিনা গোল্ড, কে জি ৪৫ মখাগীদা নেমসনা গোল্ড, কে জি ৪৯ মখাগীদা চীংলেম্বানা গোল্ড, কে জি ৫৩ মখাগী কাংলুপ্তা জোমসননা গোল্ড অমদি কে জি ৫৩ মথক্কী কাংলুপ্তুনা এলেক্সনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ লোইশিনবগী থৌরমদা সোসল ৱার্কর ঐচ সোবাস, ৱর্ল্ড থাঙ-তা ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট ঐচ প্রেমকুমার, কে আই এম এ সী এসকী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম অজিৎ, থাঙ-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী ফোমর সেক্রেটরী টি ঐচ প্রিয়োকুমারনা মথং শীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট, স্পেসল গেষ্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

অহানবা জিরি কপ মণিপুর ষ্টেট ওপন টাইক্কান্দো চেম্পিয়নশিপ ২০২০

# জে দি টি এনা পুন্না মেদল ৩২ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে




জিরিবাম, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর টাইক্কান্দো ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট টাইক্কান্দো একাদেমি, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা ঙরাংদগী নুমিৎ নীনি চুপ্পা রাকুমারী সনাতোম্বী বিদ্যালায়াগী ওদিটোরিয়ম হোলদা চত্থরকপদা 'অহানবা জিরি কপ মণিপুর ষ্টেট ওপন টাইক্কান্দো চেম্পিয়নশিপ ২০২০'দা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট টেক্কান্দো একাদেমীনা পুন্না মেদল ৩২ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন অদুগা নম্বোলগী টিমনা পুন্না মেদল ১৬ ফংদুনা রন্নর্সঅপ তাখ্রে।

ঙসি চেম্পিয়নশিপ অসিগী লোইশিনবগী থৌরমদা সোসল ৱার্কর এন বুধচন্দ্র সিংহ, জে দি টি এ জিরিবামগী প্রসিদেন্ট আই তাবুং, টি এফ এমগী জেনরেল সেক্রেটরী পি ওলেন, টি কে সী নম্বোলগী মাষ্টর এস বৈগো অমদি এস প্রেমিনা মথং শীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

পাঙথোকখিবা টেক্কান্দো চেম্পিয়নশিপ অসিদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট টেক্কান্দো একাদেমীনা গোল্ড ১৪, সিলভর ১৪ অমসুং ব্রোঞ্জ ৫ পুন্না মেদল ৩২ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে। টাইক্কান্দো কিদস সেন্টর নম্বোলনা গোল্ড ১২, সিলভর ৪ পুন্না মেদল ১৬ ফংদুনা রন্নর্সঅপ অদুগা অহুমশুবদনা টি টি এস লিলোংনা গোল্ড ১১, সিলভর ৩ অমদি ব্রোঞ্জ ১ পুন্না মেদল ১৫ ফংদুনা তাখি।

টি টি এস কোংবনা গোল্ড ৬, সিলভর ১ অমদি ব্রোঞ্জ ১ পুন্না মেদল ৮ ফংদুনা মরিশুবা, কছারগী টিমনা গোল্ড ৫, সিলভর ৭ অমদি ব্রোঞ্জ ৫ পুন্না মেদল ১৭ ফংদুনা মঙাশুবা, আই এম এ খাবম বন্দিয়ারনা গোল্ড ৪, সিলভর ২ অমদি ব্রোঞ্জ ৪ পুন্না মেদল ১০ ফংদুনা তরুকশুবা অমদি টি টি এস জিরিবামনা গোল্ড ৩, সিলভর ৬ অমদি ব্রোঞ্জ ৪ পুন্না মেদল ১৩ ফংদুনা ৭শুবা তাখি।

১২শুবা ওল ইন্দিয়া পুলিস বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ

# মণিপুর পুলিস বেদমিন্টন টিমনা পুন্না মেদল ৬ লৌবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচএনএস): মধ্য প্রদেশকী কোনুং বোপালদা লৈবা সেন্ত্রেল একাদেমী ফোর পুলিস ট্রেনিংদা থা অসিগী ৩দগী হৌদুনা পাঙথোকপা '১২শুবা ওল ইন্দিয়া পুলিস বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০১৯-২০' ঙসি লোইশিনখিবদা মণিপুর পুলিস মেদমিন্টন টিমনা গোল্ড ১, সিলভর ১ অমসুং ব্রোঞ্জ ৪ পুন্না মেদল ৬ লৌবা ঙমখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙসিগী শান্নখিবা মিক্স দবলসকী মেচত অমদা আর কে মিরান্দা অমসুং দল্লীয়ু জেমসনা জোসেপ সুমি অমসুং উমা তমাংবু ২২-২০, ২১-১৯দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড লৌখি। মেন্স সিঙ্গলসতা দল্লীয়ু জেমসবু অনকিত কুমারনা ১৭-২১, ৫-২১দা থোইদুনা জেমসনা সিলভর ফংখি।

ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবশিংনা মেন্স দবলস (ওপন)দা এন মাধুনিমাই অমসুং দল্লীয়ু জেমসকী পেয়র, ৱিমেন সিঙ্গলসতা আর কে মিরান্দা, চহী ৪৫ মথক্কী মেন্স দেবসলতা এম সোমেন অমসুং শ্যাবুলাল প্রধাননা ফংখি।

# ৰুসু চেম্পিয়নশিপ লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচএনএস): বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ৱুসু এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা ৱুসু ট্রেনিং স্কুল নিংথৌখোঙনা শীন্দুনা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা চত্থরকপা অহানবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট এস এ এন দি এ চেম্পিয়নশিপ ২০২০ নিংথৌখোঙ বজার কম্যুনিতি হোলদা লোইশিনখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা টিম ৬কী শান্নরোয় ১৬০ রোমনা শরুক য়াখিবদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট টিমনা পুন্না মেদল ৩২ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইখি। লোইশিনবগী থৌরমদা ৱুসু এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী এদহোগ কম্মিতিগী চেয়রমেন গোজেন্দ্রো, ইন্টর্নেসনল কুংফু এন্দ কিকবোক্সিংগী ফাউন্দর আর কে বগ্যচন্দ্র অমদি নিংথৌখোঙ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চেয়রপার্সন এল ইবুঙোনা মীথুংলেনশিংন ওইনা শরুক য়াখি।

২শুবা ষ্টেট লেভেল এস ঈ ৱাই ও টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০২০

# বুসন হাওবমনা মেন্স সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রে




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচএনএস): সাউথ ইষ্ট য়ুথ ওর্গনাইজেসনগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ৬তগী অকাম্পাৎতা লৈবা এস ঈ ৱাই ওগী টেন্নিস গ্রাউন্দদা চত্থরকপা 'অনীশুবা ষ্টেট লেভেল এস ঈ ৱাই ও টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০২০গী মেন্স সিঙ্গলস ফাইনেলদা বুসন হাওবননা রিভাস্করবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেন্স সিঙ্গলস ফাইনেলদা বুসন হাওবম অমসুং রিভাস্করগা লম্বা নৌখিবদা বুসননা সেট ২-০দা মায়থীবা পীবা ঙমখি। অহানবা সেটতা বুসননা রিভাস্করবু ৬-২দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা সেটতসু বুসননা রিভাস্করবু ৬-১দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা চহী ৬০ মথক্কী দবলস ফাইনেল মেচতা রাকেস অমসুং ইবোতোনগী পেয়রনা সাসত অমসুং সনাতোম্বগী পেয়রবু সেট ২-০দা মায়থীবা পীখি। অহানবা সেটতা রাকেস অমসুং ইবোতোনগী পেয়রনা সাসত অমসুং সনাতোম্বগী পেয়রবা ৬-৪দা মায়থীবা পীখি। অদুগা অনীশুবা সেটতসু রাকেস অমদি ইবোতাননা ৬-২দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

চহী ৩৫ মথাক্কী দবলস ফাইনেলদা রুপম অমসুং বোনাগী পেয়রনা দিলিপ অমসুং ইবোহলবু মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখি। অসোক অমদি প্রিতমগী পেয়র, দোমসন অমদি হেরোজিৎকী পেয়র মখোয়গী মখোয়গী লম্বা মায়থীবা পীদুনা সেমিফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

# অহানবা চীফ মিনিষ্টর মার্সল আটতা শরুক য়ারুবা শান্নরোয়শিং ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচএনএস): হুইয়েন লালোং মণিপুর থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসন ইরিলবুংনা শীন্দুনা অহানবা চীফ মিনিষ্টর মার্সল আট (থাঙ-তা/চাইনবী) মীট ২০২০দা শরুক য়ারুবা শান্নরোয়শিং ওকপগী থৌরম ঐচ এল এম টি টি সী এগী ওদিটোরিয়ম হোলদা পাঙথোকখ্রে।

শান্নরোয়শিং ওকপগী থৌরম অসিদা থিয়েটর মিররগী দিরেক্টর পদ্ম শ্রি নবা ৱারেপ্পা, হুইয়েল লালোং মণিপুর থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসনগী দিরেক্টর কে সনাথোইবা শর্ম্মনা মথং শীৎনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা চুং-তা অমসুং থাঙ চুঙ্গোই চাইনবসু মীয়ামদা খুদোল তমখি।




Now Showing - Friends Talkies (Time : 11.00 a.m., 02:00 p.m. & 05:00 p.m.)
Now Showing - Shangeet Natak, Nambol (Time - 07 :00 p.m.)
Now Showing - Yairipok Hall (Time - 11:00 a.m, 02:00 p.m. & 06:00 p.m.)

HL-P/6152/8-22feb

Now Showing - Lamlai, Azad Talkies, Indra Thoubal
CONTACT FOR CHARITY SHOW, # 9615553633, 9383219758




HL-B/5952/24dec-10Feb.




HL-B/6019/4 feb-5march

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com